# ইষ্ট জেরুসালেমদা ইজরেল ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটরশিংদা টার্গেট তৌখ্রে



জেরুসালেম, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌবা ইষ্ট জেরুসালেমদা পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা উংখৎনবা থোকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোকশিং চথুরকপদগী পেলিষ্টিনিয়ন ২০ হেন্না শোকখ্রে হায়না পেলিষ্টায়ন রেদ ক্রিসেননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ঈরাং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা ইজরেলি ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটরশিংদা ওনশিন্দুনা টার্গেট তৌরকখি হায়রি।

রেদ ক্রিসেননা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইষ্ট জেরুসালেমদা পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা খৎনা চৈনবা থোরকখি। জ্যুশিংগী মায়কৈদগী পেলিষ্টিনিয়ন তম্না নুঙ অমদি চৌক্রিনচিংবা লংশিল্লকখি। মতমদুদা ইজরেলি ফোর্সশিং সেখ জরা মনাক্তা মথৌ তৌদুনা লৈখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা পেলিষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটরশিংদা টার্গেট তৌদুনা টিয়ার গ্যাস সেল অমদি ষ্টন্ট গ্রেনেদনচিংবা কাপশিল্লকখি। মদুদা পেলিষ্টিনিয়ন ২০ লোম অশোক অপন নংখি।

অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ১৬ তি পিপর স্প্রে অমসুং টিয়ার গ্যাস সেলনা পানবদগী শোকপা ওইরম্বা য়াই। শোক্লবশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহল অমসু য়াওরি। মেদিকেল সার্ভিস ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক থোকফমদা শোক্লবশিং অদু লৌনবা চৎখিবা এম্বুলেন্সশিংদা জ্যু কাঙবুনা গাড়ীদা নুঙ অমদি উককনচিংবা লংশিল্লকখি। মসিদা নত্তনা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা খুন্দুদা লৈরিবা মফম অমদা জ্যু কাঙবুশিং চঙশিল্লক্তুনা য়ুম ৪৪ রোম অমাং অতা থোকহনখি।

ইজরেলি পুলিসনা জ্যুশিং অদুবু ঙাক শেল্লগা থবক থৌওংশিং অদু চথুহনখিবনি। ইজরেলি পুলিসনসু থৌওংশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌবগী মহুত্তা পেলিষ্টিনিয়নশিংদা ওনশিন্দুনা তাথি তাওইনা তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫ রোম ফাদুনা পুখ্রে। মমাং থাগী ২১ দগী জেরুসালেমদা সিজ ফায়র থমখ্রবসু খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি।

অমরোমদা ইজরেল ফোর্সকী মায়কৈদগীদি হমাজ গ্রুপ মপুং ফানা তকথোক্ত্রিফাওবা এয়র ষ্ট্রাইক চথুবগী থবক মখা তানা চথুখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## ‘কুমজা ২০২০ দা অঙাং কয়া লান্মী ওইনা শীজিন্নখি’

ন্যু য়োর্ক, জুন ২২ (এজেন্সী) :
মমাং চহী ২০২০ দা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৮,৫০০ হেন্না লান্মী ওইনা শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদা অঙাং ২,৭০০ রোম শিখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চীফ এন্টোনিয়ো গুটর্সনা ফোঙদোরকখিবা চহীগী ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মমাং চহীদা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া তোঙান তোঙানবা মখলগী থৌওংশিংনা মরম ওইরগা চৈথেংশিং ফংহনখি। হায়রিবা চহী অসিদা অঙাং ১৯,৩৭৯ গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থোকখিবা অচৌবা কনফ্লিক্ট ২১ দা চৈথেং ফংহনখি। মরু ওইনা সোমালিয়া, দিমেক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো, অফঘানিষ্টান, সিরিয়া অমসুং য়েমেনদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং ফংখি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মমাং চহীদা অঙাং ৮,৫২১ লান্মী ওইনা শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদা অঙাং ২,৬৭৪ শিখি। অদুগা ৫,৭৪৮ না অশোক অপন নংহনখি। য়েমেন অমসুং সিরিয়াদসু খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু রিক্যুইট তৌবা অমদি মখোয়বু লালদা শীজিন্নবগী থৌওংশিং চথুরি। মমা মপা ওইবশিং নৎত্রগা অঙাং মশানা নোংমৈ পায়বগী খোঙথাং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবগীদমক হাৎপা নৎত্রগা অকি অখং পোকহনবগী থবকশিং চথুরি। মসিনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌনবা অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লক্লি।

অফঘানগী ওইনসু টালিবান ফাইটরশিংগা মায়োক য়ানবা হোৎনবদা অফঘান গভর্ণমেন্টনা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াবু গভর্ণমেন্ট ফোর্সতা রিক্যুইট তৌবগী থবকশিং চথুরি। অতোপ অতোপ্পা লৈবাকশিং মরু ওইনা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদসু খূৎলাই পায়বশিংনা অঙাংশিংবু নোংমৈ পায়হনবগী থবক পাক শন্না চথুরি।

# লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা জো বাইদেন অমসুং অস্রফ ঘানি উন্নগদৌরি





ৱাশিংটন, জুন ২২ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা অফঘানগী প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘানিগা উন্নদুনা অফঘানদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং মপুং ফানা তকথোক্লবগী মতাংদা ৱারী শান্নগদৌরি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোরক্লি।

হ্বাইট হাউসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরাই নুমিত্তা অস্রফ ঘানি অমসুং বাইদেন ৱাশিংটনদা উন্নদুনা লালনা শোকহল্লবা অফঘানগী মতাংদা খন্নগনি অমদি সেপ্তেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস অমসুং নেটোনা মখোয়গী ক্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা অদুগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্পা খন্নগনি।

অফঘানদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা মফম কয়াদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌরগা এটেক চথুরি। মসিদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিংদসু টালিবান ফাইটরশিংনা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথুবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি।

লুচিংবা অনীনা ৱাশিংটনদা ৱারী শান্নবা অদুদা মরু ওইনা টেরোরিষ্টকী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা অফঘানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাকহন্নবগী মতাংদসু খন্নগদৌরি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট কয়া হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং অস্রফ ঘানিনা বাইদেনগা উন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

ঘানিগী ফিরেপ অদুবু হ্বাইট হাউসনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অফঘানদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা য়ু এসনা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিসু কুন্দসু প্রোভিন্সকী মনুং চনবা অফঘানদগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌখ্রে। কুন্দুস য়ৌশিল্লক্কদবা কিলোমিটর অমা খক্তা ঙাইরবা মফমশিংদা টালিবান মিলিটেন্টশিং পুনশিন্দুনা লৈবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কুন্দুসতা টালিবান ফাইটরশিং চঙশিল্লকপা উদ্রি।

অদুমওইনমক হায়রিবা প্রোভিন্স অসিসু টালিবাননা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবদি অফঘান গভর্ণমেন্টগী ওইনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগদৌরি। পনবা য়াবদি য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা অফঘানদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং টালিবানগী এটেকশিং হেনগৎলকখিবনি।

## য়ু এস অমসুং সাউথনা নোর্থকী মতাংদা ৱারী শাবা হৌখ্রে

সিওল, জুন ২২ (এজেন্সী) :
মালেমগী লৈবাক কয়ানা বেলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌবগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা ঈশিংগী ঈমায়দা মখা তানা বেলিষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং চথুখিবা অদুগী মতাংদা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়রি।

ৱারী শান্নখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা পিয়োংয়াংদা মতম অমত্তদা হেক্তা নোর্থকা ৱারী শানবা শেম শাদুনা লৈ। অমদি কোরিয়ন পেনিনসুলাগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবদা সাউথকী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

# নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শান্ননবা হোৎনবগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি



সিয়োল, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী নোর্থ কোরিয়াগা মতম অমতদা হেক্তা ৱারী শাবগী খুদোংচাবা পীরি হায়না য়ু এস নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিভাননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মদুগী পাউখুম পীবা ওইনা নোর্থ কোরিয়াদা কিম জোং অনগী মতুংদা খ্বাইদগী পৱার পায়রিবী মহাক্কী মচননুপী কিম য়ো জোংনা য়ু এসনা কা হেন্না নোর্থ কোরিয়াবু তরাইনা খল্লি অমদি ৱারী শান্ননবা হোৎনবদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লিবা অদু খুদক্তগী তোক্কদবনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শান্ননিংবা লৈরবদি নাকোয়ননা হায়দ্রবসু দাইরেক্ট পিয়োংয়াংগী মতাংদা ৱারী শান্নসি হায়রকপা মতমদা নোর্থ কোরিয়ানা তমরাম্না ওক্কনি। অদুমওইনমক নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসকা ৱারী শান্নবা পাম্নগী মওংদা মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনরিবা অদুদি অরানবনি।

নোর্থনা য়ু এসতা কৈদৌনুংদা নোঞ্জনা অমদি মখোয়দগী মতেং লৌনবগী ৱাখলসু লৈতে। ৱাশিংটননা পাম্লবদি মতম অমতদা হেক্তা লাক্লগা নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শাবা য়াগনি। মতমদুদা নোর্থনা ৱাশিংটনবু তরাম্না ওক্কনি হায়রি। পনবা য়াবদি নোর্থনা অথিংবা থমখ্রবা ন্যুক্লিয়র ৱার হেদ পুবা ঙম্বা বেলিষ্টিক মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌরিবা অদুবু সাউথ অমদি য়ুএসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লেপ্পবা খঙহনখ্রবনি।

# ম্যান্মারগী নহা ওইরিবা কয়া সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওৎ নৈবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি

নেপিদো, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংগী মথক্তা কা হেন্না ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চথুরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ফেব্রুৱারী ১ দা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা মীয়ামগী ওইবা ওং সান সু চিনা লুচিংবা লৈঙাক ইন্থুখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামশিংনা ম্যান্মারদা অমুক হন্না মীয়ামগী লৈঙাক লাকহন্নবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা পেন্দবগী খোল্লাউকয়া লাউরি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথুরি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথুখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯০০ রোম শিহনখ্রে। অদুগা ৩,০০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে। ঙসিসু লম্বীদা ইচম চম্না লাকখিবা চহী ১৭ লোম শুরবা নুপামচা অমা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লম্বীদা থক্তুনা থল্লগা তাথি তাওইনা ফু চৈবা তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক তৌথোক্লগা ঙকশম য়ৌনা ফুমজিন্দুনা থমখি। তুংদা মীয়ামশিং মফমদুদা চঙশিল্লকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফমদুনা থাদোক্লগা চৎখি। মীয়াম্না নহা অদুবু লৌথোক্লগা খুদক্কী ওইনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখক্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথুখি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 179,540,614 | +279,819 | 3,888,703 | +6,057 | 164,232,406 | 11,419,505 |
| 1 | USA | 34,419,838 | +9,306 | 617,463 | +213 | 28,767,507 | 5,034,868 |
| 2 | India | 29,973,457 | +39,096 | 389,268 | +846 | 28,913,191 | 670,998 |
| 3 | Brazil | 17,969,806 | +41,878 | 502,817 | +899 | 16,288,392 | 1,178,597 |
| 4 | France | 5,757,798 | +487 | 110,778 | +40 | 5,566,434 | 80,586 |
| 5 | Turkey | 5,375,593 | +5,294 | 49,236 | +51 | 5,237,731 | 88,626 |
| 6 | Russia | 5,334,204 | +17,378 | 129,801 | +440 | 4,878,333 | 326,070 |
| 7 | UK | 4,640,507 | +10,633 | 127,981 | +5 | 4,303,996 | 208,530 |
| 8 | Argentina | 4,277,395 | +8,606 | 89,490 | +447 | 3,910,835 | 277,070 |
| 9 | Italy | 4,253,460 | +495 | 127,291 | +21 | 4,049,316 | 76,853 |
| 10 | Colombia | 3,968,405 | +23,239 | 100,582 | +648 | 3,685,947 | 181,876 |
| 11 | Spain | 3,764,651 | +2,360 | 80,689 | +13 | 3,560,034 | 123,928 |
| 12 | Germany | 3,730,599 | +484 | 91,007 | +41 | 3,605,200 | 34,392 |
| 13 | Iran | 3,105,620 | +10,485 | 83,101 | +136 | 2,760,229 | 262,290 |
| 14 | Poland | 2,878,842 | +75 | 74,829 | +1 | 2,650,648 | 153,365 |
| 15 | Mexico | 2,477,283 | +1,578 | 231,187 | +36 | 1,971,470 | 274,626 |
| 16 | Ukraine | 2,229,846 | +323 | 52,032 | +16 | 2,152,140 | 25,674 |
| 17 | Peru | 2,030,611 | +986 | 190,645 | +220 | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 2,004,445 | +14,536 | 54,956 | +294 | 1,801,761 | 147,728 |
| 19 | South Africa | 1,832,479 | +9,160 | 58,795 | +93 | 1,656,680 | 117,004 |
| 20 | Netherlands | 1,679,542 | +559 | 17,727 | +1 | 1,605,084 | 56,731 |
| 21 | Czechia | 1,666,071 | +57 | 30,283 | +1 | 1,633,473 | 2,315 |
| 22 | Chile | 1,522,223 | +5,205 | 31,645 | +132 | 1,452,108 | 38,470 |
| 23 | Canada | 1,409,607 | +771 | 26,084 | +8 | 1,372,491 | 11,032 |
| 24 | Philippines | 1,364,228 | +5,238 | 23,749 | +128 | 1,284,579 | 55,900 |
| 25 | Iraq | 1,292,700 | +5,235 | 16,910 | +25 | 1,204,879 | 70,911 |
| 26 | Sweden | 1,088,014 | +661 | 14,570 | | 1,047,974 | 25,470 |
| 27 | Romania | 1,080,282 | +26 | 32,461 | +4 | 1,045,207 | 2,614 |
| 28 | Belgium | 1,079,415 | +331 | 25,136 | +4 | 1,016,574 | 37,705 |
| 29 | Pakistan | 949,175 | +907 | 22,007 | +30 | 893,148 | 34,020 |
| 30 | Portugal | 865,806 | +756 | 17,068 | +3 | 820,081 | 28,657 |
| 31 | Bangladesh | 856,304 | +4,636 | 13,626 | +78 | 785,482 | 57,196 |
| 32 | Israel | 839,990 | +123 | 6,428 | | 833,061 | 501 |
| 33 | Hungary | 807,630 | +202 | 29,959 | +9 | 735,574 | 42,097 |
| 34 | Japan | 785,287 | +1,309 | 14,423 | +23 | 750,430 | 20,434 |
| 35 | Jordan | 747,000 | +520 | 9,671 | +9 | 730,831 | 6,498 |
| 36 | Serbia | 715,841 | +88 | 7,004 | +3 | 705,988 | 2,849 |
| 37 | Switzerland | 701,994 | +367 | 10,875 | +6 | 676,494 | 14,625 |
| 38 | Malaysia | 701,019 | +4,611 | 4,477 | +69 | 633,624 | 62,918 |
| 39 | Austria | 649,670 | +94 | 10,680 | | 636,365 | 2,625 |
| 40 | Nepal | 622,640 | +1,584 | 8,772 | +46 | 559,928 | 53,940 |
| 41 | UAE | 613,993 | +1,964 | 1,763 | +6 | 592,984 | 19,246 |
| 42 | Lebanon | 543,551 | +46 | 7,825 | +3 | 530,393 | 5,333 |
| 43 | Morocco | 526,737 | +86 | 9,244 | +6 | 513,898 | 3,595 |
| 44 | Saudi Arabia | 475,403 | +1,212 | 7,691 | +14 | 457,128 | 10,584 |
| 45 | Ecuador | 446,633 | +192 | 21,304 | +11 | 415,508 | 9,821 |
| 46 | Bolivia | 422,047 | +1,086 | 16,132 | +44 | 339,104 | 66,811 |
| 47 | Bulgaria | 421,152 | +120 | 18,000 | +10 | 393,186 | 9,966 |
| 48 | Greece | 418,548 | +206 | 12,559 | +17 | 399,878 | 6,111 |
| 49 | Belarus | 411,153 | +475 | 3,053 | +9 | 404,025 | 4,075 |
| 50 | Kazakhstan | 409,580 | +930 | 4,242 | +8 | 385,043 | 20,295 |

# পাকিষ্টানদা টেরোরিষ্টশিংনা চৈথেং পীরক্কদ্রা খনবদগী য়ু এস বেজ থম্বদা অয়াবা পীখিদবনি

ইস্লাম্বাদ, জুন ২২ (এজেন্সী) :
লালনা শোকহল্লবা অফঘানিষ্টানদা মিলিটরি এক্সন চথনবগীদমক পাকিষ্টানদা অমেরিকান মিলিটরি বেজ থম্নবা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম য়াখিদবা অদু পাকিষ্টানদা টেরোরিষ্টশিংনা লমন খুম্বা ওইনা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগীনি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফঘানদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবদা পাকিষ্টাননা হীরম খুদিংমক্তা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ। অদুবু মমাং মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা পাকিষ্টানদা য়ু এস মিলিটরি বেজ লৈহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অফঘানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা অদু পাকিষ্টাননা তরাম্না ওকই। অদুবু পাকিষ্টানদা য়ু এস মিলিটরি বেজ থমদুনা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোংথিবা থোকহন্দবা হায়বসি মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা ৱাখল্লোননি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা অফঘানগী বালোকিষ্টানদা লৈবা সামসি এয়র বেজদগী য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক কয়া অফঘানিষ্টানগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা অল কৈদাগী বেজশিং থুগাইনবগীদমক চথুখি। মপাঙ্গল কল্লে হায়না মালেমগী লৈবাকশিংনা হায়নরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী ২০ লোম অফঘানদগী লালহৌবশিং মুথৎনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে।

ফীভম অসিদা মতৌ করম্না য়ু এস মিলিটরিনা পাকিষ্টানদা লৈরগা অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক লোইশিনগদৌরিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমা ওইরি। য়ু এসনা পাম্বগুম পাকিষ্টননসু অফঘানদা ঈং তপ্পা পুরকপা পাম্মী। অফঘানিষ্টানদা সিভিল ৱার থোরকপা পাকিষ্টাননা পামদে। ৱারী শারগা ৱারোইশিন পুরকপদা পাকিষ্টাননা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

অফগানিষ্টানদা থোকখিবা সিভিল ৱারনা মরম ওইরগা পাকিষ্টানি ৭০,০০০ হেন্না শিহনখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিষ্টানদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২০ মতেং পাংলকখি। অদুবু মতমদুদা পাকিষ্টাননা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫০ রোম হেন্না অমাং অতা থোকখি।

য়ু এসকা পুল্লগা থবক তৌরুবগীদমক টালিবান ফাইটরশিংনা পাকিষ্টানদা টার্গেট তৌরগা এটেক কয়া চথুরকখি। মতমদুদা য়ু এসকী মায়কৈদগী পাকিষ্টানদা মতেং অমত্তা লাকখিদে হায়না খাননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা য়ু এস বেজ লৈহল্লোয় হায়রি।

# অফগানিষ্টানদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপগী থবক তপথরবা য়ানা লৈ



ৱাশিংটন, জুন ২২ (এজেন্সী) :
টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানদা কা হেন্না খুমাং চাওশিল্লক্লিবা অদুগী য়েংলগা য়ু এসনা লৈবাক অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকপগী থবক তপথরবা য়ানা লৈ হায়না পেন্টোগোনগী ৱাঙাঙলোয় জোন ক্রিবিনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অফগানদগী মখোয়গী ক্রুপশিং সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। য়ু এসনা অফঘানিষ্টনদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক টালিবান ফাইটরশিংগা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখিবনি। অদুমওইনমক টালিবান ফাইটরশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া অফঘানদা চথুরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা ক্রুপশিং লৌথোকপগী থবক থেংথরবা য়ানা লৈ। অফঘানিষ্টানদা য়ু এসনা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক মতম শাংনা হোৎনদুনা লাক্লি।

অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংগা মায়োক য়ানবা হোৎনবদা য়ু এস ক্রুপশিংনা মতেং পাংনবা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ। হৌজিক হৌজিকসু মথৌ তারবদি লৌথোকপা হৌরুরবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমুক হন্না অফঘানদা দিপ্লোয় তৌনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না পেন্টাগোনগী ৱাঙাঙলোয় জোন ক্রিবিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## টালিবাননা টাজিকিষ্টান বোর্দর ক্রোসিং মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রে

কুন্দুজ, জুন ২২ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা টালিবান ফাইটরশিংনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্পা লৈতনা চথুরকখিবগা লোয়ননা হান্ননা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরম্বা মফম কয়া মখোয়না অমুক কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে। অফঘানিষ্টানগী য়াম্না মরু ওইরিবা টাজিকিষ্টান ঙমখৈগী শরুকসু টালিবান ফাইটরশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্স মায়থিবা পীদুনা মপুং ফানা ওকুপাইদ তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদগী অৱাং থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈরিবা টাজিকিষ্টান অসি লৈবাক অদুগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরিবা মফম অমনি। অদুবু ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবদা টালিবান ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সপু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা মফম অদুবু ওকুপাইদ তৌখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা কুন্দুজ প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিল মেম্বর খালিদিন হকমিনা ফোঙদোকখিবদা মশীং য়াম্লবা টালিবান ফাইটরশিংনা অফবা মখলগী খূৎলাইশিং শীজিন্নদুনা টাজিকিষ্টান ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা মনাক নক্লনা লৈরিবা পুলিস আউটপোষ্ট অমসু অমাং অতা থোকহনখি। মফমদুদা লৈরম্বা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং মথৱায় হিংনবগীদমক মখোয় মখোয়গী পোষ্টশিং থাদোক্তুনা চেন্নখি। অমরোমদা পিয়ান্স তুরেলগী ঙমখৈগী শরুক খরসু টালিবান ফাইটরশিংনা ওকুপাইদ তৌখ্রে হায়রি।

# য়ূমগী থবক শুবী নুপী তমথিনা ওৎলগা হাৎখিবী অমা চহী ৩০ গী ফাদোক পীখ্রে



সিঙ্গাপুর, জুন ২২ (এজেন্সী) :
মশাগী য়ূমদা থবক শুনবা থমখিবী নুপী অমবু তমথিনা ওৎ নৈরবা মতুং থাঙনা থিন্দুনা হাৎপদা চেন্নখিবী সিঙ্গাপোরিয়ান নুপী অমা ঙসি কোর্ট অমনা চহী ৩০ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রে।

মহাকপু জেলগী ফাদোক পীখ্রবা কোর্টকী জজ অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না গয়াথেরি মুরুগায়ন কৌবী নুপী অসিনা মহাক্কী ময়ুমদা থবক শুনবা লৈবী অমদা চথুখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদু ঙাকপীবা ঙমলোইদবা অমদি তমথিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা থৌদোক অমনি।

সিঙ্গাপুরদা এসিয়ন কন্ট্রিশিংদগী লাকপা দোমেষ্টিক ৱার্কর লাক্ষ ২.৫ রোম লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মথক্তা য়াম্না তোয়না ওৎপী নৈবিবগী থৌওং অসি সিঙ্গাপুরদদি অনৌবা ওইদ্রে। অদুমওইনমক গয়াথেরিনা ম্যান্মারদগী লাকখিবী মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবী পিয়াং ঙাই দোনদা চথুখিবা থৌওং অদুদি য়াম্না মীনুংশিং য়াওদবা অমনি। দোমেষ্ট্রিক ৱার্কর পিয়াংবু মহাক্কী মপু গয়াথেরিনা হাৎত্রিঙৈগী মাংওইননা শুমচিৎনা কনবা অমদি অশাবা য়োৎনা মশাদা নমশিনবগী ভিদিওসু ফংলে। মসিনা মরম ওইরগা মহাক চহী ৩০ গী ফাদোক পীখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসি কুমজা ২০১৬ কী জুলাই থাদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা গয়াথেরি (৪১) না মহাক্কী চৈরাক অদু মতম খরা হন্থনবা কোর্টতা হায়জখি। অদুবু কোর্টনা মহাক্কী ৱাফম অদুবু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু ফাখিবা চহী অদুদগী পারগা জেলদা চহী ৩০ লৈনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৫ দা গয়াথেরি অমসুং মহাক্কী মপুরোইবনা ভিক্তিম নুপী অদু মখোয়গী চহী ৪ শুরবী মচানুপী অমসুং চহী অমা খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা শেন্ননবগীদমক ময়ুমদা থমখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা গয়াথেরিনা ভিক্তিম নুপী অদুবু য়াম্না তোয়না ওৎ নৈবগী থবক চথুবা হৌরকখি। করিগুম্বা মতমদসু গয়াথেরিগী অপোকপী মমাসু দোমেষ্টিক ৱার্কর অদুবু ওৎ নৈবগী থবক্তা মতেং পাংশিনখি হায়না পুলিস রেকোর্দ অমনা ফোঙদোরক্লি।